# মার্ক ফংনবগীদমক খল্লগা ইগজাম থাগদবা নত্তে : প্রাইম মিনিষ্টর



ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ২৮ ঃ

মহৈরোয়শিংনা মার্ক ফংনবগীদমক খল্লগা ইগজাম থাগদবা নত্তে হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোকখ্রে।

রেদিও প্রোগ্রাম 'মন কি বাট' তা ৱা ঙাঙখিবদা মহাক্না হায়খি, ইগজাম হায়বসি মার্ক খক্কীদমক নত্তে। পার্লিয়ামেন্টতা হয়েং জেনরেল বজেট পুথোক্কদৌরিবা অসি প্রাইম মিনিষ্টর অমগীদমক্তদি অচৌবা ইগজাম অমনি। অদুবু লৈবাক অসিগী মীওই ক্রোর ১২৫না লৌগদৌরিবা চাংয়েং অসিগীদমক থোইদোক্না পাখৎপা তৌদে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎতগী হৌগদৌরিবা ক্লাস টেন অমদি টুয়েল্বকী ইগজাম থাগদৌরিবা মহৈরোয়শিংসু অচেৎপা থাজবা অমগা লোয়ননা ইগজাম মায়োক্ল-গদবনি। মশাদা অকিবা অমদি মীপাইবা অমত্তা পোক্লোইদবনি। মমা-মপা ওইবশিংনসু মচাদা ইগজাম-গীদমক অকনবা প্রেসর পীরোইদবনি। ইগজাম হায়বসি মার্ক ফংনবখক্কীদমক খল্লগা পাঙথোকপা নত্তে।

রেদিও প্রোগ্রামদা ৱা ঙাঙলদুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, নিংথৌকাবা নুমিৎতা পুথোক্কদৌরিবা জেনরেল বজেট অসি ঐহাক্কীদমক্তদি খ্বাইদগী চাউবা ইগজামনি। অদুবু ইগজাম অসিগীদমক পাখৎপা অমদি চিংনবা পোকপগী ৱাফম লৈতে। মতৌ অসুম্না মায় পাকপা অমদি মায়থীবগী ৱাখল থাদোক্লগা ইশা ইশাগী তৌফম থোকপা ইথৌ তৌগদবনি।

মহৈরোয়শিংবু পুক্লিং থৌগৎপা ওইনা রেদিও প্রোগ্রাম অদুদা মোদিনা সচিন টেন্দুলকর, বিশ্বানাথন আনন্দ, ভারত রত্ন ফংখ্রবা সাইন্টিষ্ট সি এন রাও অমদি স্পিরিচ্যুএল লীদর মুরালি বাপুগী পাউজেল থাদোকখি। হায়রিবা মীওইশিং অদুনা পুন্সিদা মতৌ করম্না অরুবা তানফম মায়োক্লখিবগে হায়বদু মহৈরোয়শিংদা খঙহন্নবগী পান্দমদা থৌরাং অদু লৌখৎখিবনি হায়রি।

ঈং-তপ্পা মওংদা অফবা ৱাখল খনবনা পীবা কান্নবগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, পুন্সিদা অরুবা তানফম অমা মায়োক্লরকপা মতমদা য়ারিবমখৈ পাখৎতনবা হোৎনগদবনি। মশামক যোগা পামজবা মীওই অমসু ওইরিবা মোদিনা ৱাখলগী পাঙ্গল কনখৎহনবদা যোগনা পীরিবা কান্নবশিংগী মতাংদসু ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি।

মহৈরোয়শিংবু পুক্লিং থৌগৎপা ওইনা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, ইলেক্ট্রিসিটি পুথোকখিবা থোমাস অলভা এদিসন অমদি হেরি পোট্টর ইখিবগীদমক মালেম শীনবা থুংনা মমিং চৎলবা জে কে রোলিংনচিংবা পুন্সিদা মায় পাকখ্রবা মীওই খুদিংমক অহানবদা মায়থীবা নংখি। মহৈরোয়শিংনসু মায়থীবা অমদি মায় পাকপগী মতাংদা থোইদোক্না নুংনাংবা পোক্লোইদবনি। মদুগী মহুত্তা মশাগী মথৌ মপুং ফানা পাঙথোক্লবা হোৎনগদবনি।

রেদিও প্রোগ্রাম অদুদা শন্দোকখিবা পাউজেল অমদা সচিন টেন্দুলকরনা হায়খি, নুমিৎ খরনিগী মতুংদা ইগজাম হৌগদৌরে। মহৈরোয় অয়াম্বা ৱাখল লাংতক্লরে হায়বা খঙই। অদুবু পোজিটিভ ওইবা মওংদা ৱাখল খনবা ঙম্লবদি অফবা মহয় শোয়দনা ফংগনি। মহৈরোয় খুদিংমক্না চিংনবা অমদি অকিবা পুম্নমক থাদোক্তুনা মশাগী তৌফম থোকপা মথৌ তৌগদবনি।

পুন্সিদা অচেৎপা ফিরেপ অমগা লোয়ননা হোৎনবা কনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না পল্লদুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, ৱার্ল্ড চেস চেম্পিয়ন বিশ্বানাথন আনন্দনা মপুং ফানা কন্সেন্ট্রেসন তৌদুনা মহাক্কী লম্বা খুদিংমক ইরায় লায়না মায়থীবা পীবা ঙমখি। মতৌ অসুম্না মহৈরোয় খুদিংমক্না মশাগী পান্দম ফংনবা অচেৎপা ফিরেপ অমগা লোয়ননা হোৎনবা কনবা মথৌ তাই।

বিশ্বানাথন আনন্দনা হায়খি, ইগজাম থাগদবা মহৈরোয়শিংনা মপুং ফানা তৃপ্তগা লোয়ননা চাব-থকপগী মতাংদসু চেকশিনগদবনি। ইশানা ইশাবু কা হেন্না অৱাবা পীবগী থৌওং চথরোইদবনি। মতমদুদা অফবা মহয় শোয়দনা ফংগনি।

মোদিনা হায়খি, কনফিদেন্স ৱাৎপা মীওই খুদিংমক ঈংন-চিক্না ৱাখল খনবা ঙমদে। মদুনা মরম ওইরগা মথৌদা অশোয়বা কয়ামরুম লাকই। মহৈরোয়শিংনা ৱাফম অসি মুন্না খঙজিনবগা লোয়ননা ইগজামগীদমক থোইদোক্না পাখৎপা তৌরোইদবনি।

# স্মৃটি ইরানিগী মথক্তা প্রিভিলেজ মোসন থাঙ্গৎপগী ৱাফম য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ২৮ ঃ

য়ুনিয়ন হ্যুমেন রিছোর্সেস দিভলপমেন্ট মিনিষ্টর স্মৃটি ইরানিগী মথক্তা কোংগ্রেসনা পার্লিয়ামেন্টকী হাউস অনীমক্তা প্রিভিলেজ মোসন থাঙ্গৎনবা ফিরেপ লৌখিবগী থৌওংবু বি জে পিনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

হাইদ্রবাদ য়ুনিভর্সিটিদা রোহিট ভেমুলা কৌবা দলিট মহৈরোয় অমা শিখিবগী মতাংদা স্মৃটি ইরানিনা পার্লিয়ামেন্টতা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুনা মীয়াম্বু লান্না লমজিংনবা হোৎনরে হায়না মরাল শীরদুনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অসিগী মথক্তা প্রিভিলেজ মোসন পুখৎনবা কোংগ্রেসনা ফিরেপ লৌখিবনি।

হীরম অসিগী মতাংদা বি জে পিগী নেসনল স্পোক্সপার্সন এম জে অকবরনা হায়খি, হ্যুমেন রিছোর্সেস দিভলপমেন্ট মিনিষ্টরনা রোহিট ভেমুলাবু দলিট নত্তে হায়না ফোঙদোক্লু বগীদমক কোংগ্রেসনা প্রিভিলেজ মোসন পুখৎনবা ফিরেপ লৌখি। মতৌ অসুম্না মীওই অমগী অশোয়বা ৱাঙাঙ-শাঙাঙদা য়ুম্ফম ওইরগা প্রিভিলেজ মোসন পুখৎপা তারবদি কোংগ্রেসকী এম পি অমত্তা পার্লিয়ামেন্টতা ফম্বা ঙমদবগী ফীভম লাকপা য়াই।

মিনিষ্টর অমনা পার্লিয়ামেন্টতা পীবা ৱারোল পুম্নমক মরী লৈনবা ওফিসল অমদি পুলিসকী ৱারোল মতুং ইন্না পীবনি হায়না পল্লদুনা অকবরনা হায়খি, রোহিট ভেমুলাগী সুইসাইদ নোটতা কনাগুম্বা মীওই অমত্তবু মরাল শীবা তৌদে হায়না স্মৃটি ইরানিনা পার্লিয়ামেন্টতা ফোঙদোকখি।



ৱাফম অসিমক পুলিসকী ৱারোল মতুংইন্না ফোঙদোকপনি। করিগুম্বা পুলিসনা ইনবেষ্টিগেসন চথবদগী মখা তাবা ৱাফম কয়া খঙবা ঙম্লক্লবদি ৱাফম অদুমক মিনিষ্টরনা পার্লিয়ামেন্টতা অমুক শোয়দনা ফোঙদোক্কনি। মসিদা মিনিষ্টরনা হাউসপু লান্না লমজিংবগী ৱাফম লৈতে হায়না অকবরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ওপোজিসন লীদরশিংবু মরাল শীরদুনা বি জে পিগী নেসনল স্পোক্সপার্সননা মখা তানা হায়খি, নুমিৎ খুদিংগী ওপোজিসন লীদরশিংনা মশাগী মথৌ মশক খঙদবা মওংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্তুনা লাকখি। কোংগ্রেসকী লুচিংবা রাহুল গান্ধী মশামকসু মীয়াম্না তাবদা নুংঙাইতবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি। রাহুলনা পার্লিয়ামেন্টতগী লোৎপা ঙমখিবা য়াই। অদুবু মীয়ামদগী লোৎপদি থক ঙম্লোই।

পনবা য়াবদি, থাংজ নুমিৎতা রোহিট ভেমুলাগী অপোকপী রাধিকানা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধী, সি পি এমগী জেনরেল সেক্রেটরি সিতারাম য়েচুরি অমসুং জনতা দল (য়ুনাইটেদ)কী লুচিংবা কে সি টিয়াগী উনদুনা ৱারী শানখিবনি।

রাধিকা ভেমুলানা হায়খিবনি মদুদি, স্মৃটি ইরানিনা পার্লিয়ামেন্টতা ওইদবা ৱা ঙাঙখিবদগী ওপোজিসন পার্টিশিংনা মিনিষ্টর অমদি গভর্ণ-মেন্টকী মথক্তা মতিক চাবা থবক লৌখৎনবা ফিরেপ লৌখিবনি।

অমরোমদা, কোংগ্রেসনা হায়খ্রে মদুদি, রোহিট ভেমুলা শিখিবগী মতাংদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর স্মৃটি ইরানিনা অরানবা ৱাফম ফোঙদোকখিবা মরম্না মিনিষ্টর অসিগী মথক্তা প্রিভিলেজ মোসন পুখৎপা মথৌ তাই।

রাজ্য সভাদা ওপোজিসন লীদরসু ওইরিবা কোংগ্রেসকী জেনরেল সেক্রেটরি ঘুলাম নবি অজাদনা পাউমীশিংদা হায়খি, লোক সভাদা মীয়াম্বু লান্না লমজিংবা য়াবা মওংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখিবগীদমক য়ুনিয়ন মিনিষ্টর স্মৃটি ইরানিগী মথক্তা প্রিভিলেজ মোসন পুখৎনবা ফিরেপ লৌরে।

অজাদনা হায়খি, রোহিটনা মশা মথন্তা থৌরী য়ান্দুনা শিজখ্রবা মতুংদা দোক্টর অমত্তা মফম অদুদা চঙহনখিদে হায়না ঐচ আর দি মিনিষ্টর ইরানিনা পার্লিয়ামেন্টতা ফোঙদোকখি। অদুবু য়ুনিভর্সিটিগী কেম্পস মনুংদা লৈবা চীফ মেদিকেল ওফিসরনদি মিনিষ্টরগী ৱাফম অদু অরানবনি হায়না ফোঙদোরকখি।

নুমিৎতুদা রোহিট ভেমুলা শিরে হায়না লাউথোকখিবদু মেদিকেল ওফিসর অসিমক্লনি। য়ুনিভর্সিটি কেম্পস মনুংদা পুলিস পার্সনেল অমত্তা লৈতে হায়নসু স্মৃটি ইরানিনা ফোঙদোকখি। ৱাফম অসিগী মতাংদসু রোহিটকী অপোকপী অমসুং ময়াম্বনা মিনিষ্টরগী ৱাফম অদু অরানবনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে। মতৌ অসুম্না অরানবা ৱাফম ফোঙদোক্তুনা হাউসপু লান্না লমজিংনবা হোৎনখিবগীদমক ঐচ আর দি মিনিষ্টরগী মথক্তা প্রিভিলেজ মোসন পুখৎপা মথৌ তাই।

# ইন্দিয়া, চাইনানা টেররিজমগী মতাংদা খন্নখ্রে

ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ২৮ ঃ

ইন্দিয়া অমদি চাইনানা এসিয়াদা অনৌবা লম্বী-থোং শেমগৎপগা লোয়ননা টেররিজম লাকশিন্নবগী মতাংদা খন্ন-নৈনখ্রে।

চাইনিজ ফোরেন এফেয়র্স মিনিষ্ট্রিগী দিরেক্টর জেনরেল ৱাং য়াজুননা লুচিংবা মীহুৎ কাঙবু অমা ন্যু দিল্লিদা থুংলখিবগা লোয়ননা হীরম অসিগী মতাংদা ইন্দিয়াগা ৱারী শানখিবনি। ৱারী শানবা অদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদা এক্সটর্নেল এফেয়র্স মিনিষ্ট্রিগী জোইন্ট সেক্রেটরি (পোলিসি প্লানিং এন্দ রিছার্স) সন্টোশ ঝানা লুচিংবা মীহুৎ কাঙবু অমনা শরুক য়াখি।

এক্সটর্নেল এফেয়র্স মিনিষ্ট্রিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়খি, মালেমদা খ্বাইদগী চাউনা শীংনরক্লিবা টেররিজম লাকশিন্নবগী মতাংদা নাকল অনীনা কুপ্না ৱারী শানখি। অথুবা মতমদা লৈবাক অনীনা হীরম অসিগী মতাংদা অপূনবা থৌরাং অমা লৌখৎনবা হোৎনরগনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, শোয়বদগী ঙমখৈদা লৈবাক অনীগী লান্মী মশেল খুৎ থোক্ল বগী থৌদোক থোকহন্দনবগী মতাংদা নাকল অনী ৱারী শানবা লৈখ্রবনি। লৈবাক অনীগী মরক্তা লৈরিবা কিলোমিটর ৪০০০ শাংবা ঙমখৈগী মতাংদা বৈজিং অমদি ন্যু দিল্লিনা য়ানবা পুরকপা ঙমদনা লৈরিবনি।

ৱার্কিং মেকানিজম ফোর কন্সল্টেসন এন্দ কোওর্দিনেসন ওন ইন্দিয়া-চাইনা বোর্দর এফেয়র্স (দব্লিয়ু এম সি সি)গী ফ্রেমৱার্ক মখাদা নাকল অনী ৱারী শানখিবদা য়ানবা পুরকপা ঙমখিদ্রবনি।

হন্দক্তা এক্সটর্নেল এফেয়র্স মিনিষ্ট্রিগী জোইন্ট সেক্রেটরি (ইষ্ট এসিয়া)না লুচিংবা মীহুৎ কাঙবু অমনা চাইনাগা ৱারী শানদুনা য়েৎনরিবা ঙমখৈগী মতাংদা য়ানবা পুরক্লবা হোৎনখি। মীহুৎ কাঙবু অদুদা এক্সটর্নেল এফেয়র্স মিনিষ্ট্রি, দিফেন্স মিনিষ্ট্রি অমদি হোম এফেয়র্স মিনিষ্ট্রিগী মীহুৎশিং, লোয়ননা ইন্দিয়ন আর্মি অমসুং ইন্দো টিবেটান বোর্দর পুলিসকী মকোক থোংবা কয়াসু শরুক য়াখি।

য়েৎনরিবা ঙমখৈগী শরুক্তা লৈবাক অনীগী লান্মীশিং মুক্লবগী থৌদোক তোয়না থোক্তুনা লাকখিবগী মতাংদা হৌজিক ফাওবা য়ানবা পুরকপা ঙমদ্রিবনি।

মমাঙ চহীদা লদাখকী চুমার অমদি দেমচোক রিজনদা নুমিৎ ২০ নি রোম লৈবাক অনীগী লান্মীশিং মুক্লখি। অকোনবদা নাকল অনী য়ানবা পুরকপদগী নোংমৈ কাপ্নবগী থৌদোকমক্তি থোকখিদে।

হন্দক্তা চাইনিজ প্রসিদেন্ট জি জিনপিংনা ন্যু দিল্লিদা লাক্লম্বা মতমদা লৈবাক অনীগী ঙমখৈদা মুক্লবগী থৌদোক থোকহন্দনবগী মতাংদা য়ানবা পুরকখি। কুমজা ২০০৫ গী এপ্রিলদা সাইন তৌনখিবা এগ্রিমেন্ট অমা ঙাক্না চৎনবগী মতাংদসু নাকল অনীনা য়ানবা পুরকখি।

মতম অমদা য়েংথীনরম্বা লৈবাক অনীনা মমাঙ চহীদা অপূনবা মিলিটরি এক্সর্সাইজ অমা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা হীরম কয়াদা পূন্না থবক তৌমিন্নবগী মতাংদসু য়ানবা পুরকখি। মমাঙদা লৈবাক অনীনা সাইন তৌনখিবা বোর্দর দিফেন্স কোওপরেসন এগ্রীমেন্ট (বি দি সি এ) থবক্তা ওন্থোকপা ঙমখিদ্রবনি।

ৱার্কিং মেকানিজম ফোর কন্সল্টেসন এন্দ কোওর্দিনেসন (দব্লিয়ু এম সি সি)গী ফ্রেমৱার্ক মখাদা নাকল অনী ৱারী শানখিবা মতমদসু হীরম অসিগী মতাংদা য়ানবা পুরকপা ঙমখিদে।

দব্লিয়ু এম সি সিগী মরীশুবা মীফম অদু বৈজিংদা পাঙথোকখিবনি। অহুমশুবা মীফমদি ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখি।

# দিফেন্সতা শেল চাউনা থাধগদবনি : পেনেল



ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ২৮ ঃ

নিংথৌকাবা নুমিৎতা পুথোক্কদৌ-রিবা জেনরেল বজেটকী মাঙওইননা পার্লিয়ামেন্টরি পেনেল অমনা হায়খ্রে মদুদি, দিফেন্সকী বজেট নেম্বা তারবদি লৈবাক্কী সিক্যুরিটিদা অকায়বা পীরক্কদবা লৈবনা দিফেন্সতা শেল চাউনা থাধবগী মথৌ তাই।

মেজর জেনরেল বি সি খন্দুরি (রিটয়ার্দ)না লুচিংবা পার্লিয়ামেন্টরি ষ্টেন্দিং কম্মিটি ওন দিফেন্সনা হায়খি, নিংথৌকাবা নুমিৎতা পুথোক্কদৌরিবা বজেটতা দিফেন্সকা মরী লৈননা শেল চাউনা থাধবগী তঙাইফদবা লৈ। করিগুম্বা দিফেন্সতা শেল পীক্না থাধরবদি লৈবাক অসিগী সিক্যুরিটিদা চাউনা অকায়বা থোকহল্লক্কনি।

পার্লিয়ামেন্টরি বোর্দকী ৱাফম অসি দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা কুমজা ২০১৫গী জন্যুৱারী ১৪ দা মিনিষ্ট্রি ওফ ফাইনান্সতা খঙহনখিবা লৈখ্রে। অদুবু হৌজিক ফাওবা ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিদগী পাউখুম অমত্তা পীরকপা লৈত্রি হায়না পার্লিয়ামেন্টরি কম্মিটিগী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি।

লোক সভাদা পুথোরকখিবা কম্মিটিগী রিপোর্টনা হায়খি মদুদি, হৌখিবা চহী খরগী মনুংদা দিফেন্সনা শেল শীজিন্নবগী চাং ৱাংখৎলকখি। অদুবু হন্দক্কী বজেটতা দিফেন্সকী শেনফম হন্থহনবগী মওং অমা উবা ফংলে। মমাঙগী চহীগা য়েংনবদা দিফেন্সকী এক্সপেন্দিচর অসি কুমজা ২০১৪-১৫ দা চাদা ১২.৪৪গী চাংদা হেনগৎলকখি। কুমজা ২০১৫-১৬ তদি চাদা ১১গী চাংদা হেনগৎলকখি।

মতৌ অসুম্না দিফেন্সতা শেল থাধবগী চাং ৱাংখৎলক্লবসু মতমগা চুনবা মওংদা এয়রফোর্স, আর্মি অমসুং নেভিগী থবক থৌরমশিং মোদর্নাইজ তৌবদা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্লরে হায়না পার্লিয়ামেন্টরি কম্মিটিগী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি।

কম্মিটিনা হায়খি, চহী খুদিংগী ওইনা দিফেন্সকী বজেট হেনগৎলকপা তারবসু মপুং ওইনা য়েংবদা হীরম অসিদা থাধবা শেনফম হন্থরক্লে হায়না লৌবা য়াই। লোক সভাদা থমখিবা পার্লিয়ামেন্টরি কম্মিটিগী রিপোর্টনা হায়খি, মতমগা চুনবা মওংদা মোদর্নাইজেসনগী থৌরাং লৌখৎপগী তঙাইফদবা লৈবনা দিফেন্সকী বজেট হেনগৎপীনবা মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্সনা কুমজা ২০১৫গী জন্যুৱারী ১৪দা রিপোর্ট অমা ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিদা পীশিনবা লৈখ্রে।

FORM - IV
(See Rule - 8)

Statement about ownership and other particulars about newspaper **HUEIYEN LANPAO.**

| | | |
|---|---|---|
| Place of Publication | - | Imphal |
| Language in which to be printed | - | Manipuri |
| RNI No. | - | 40746/1978 |
| Periodicity of its publication | - | Daily Morning |
| Printer's Name | - | Soubam Niladhaja Singh |
| Nationality | - | Indian |
| Address | - | Sega Road Konjeng Hazari Leikai P.O. & P.S. Imphal, District Imphal West, Manipur |
| Publisher's Name | - | Soubam Niladhaja Singh |
| Nationality | - | Indian |
| Address | - | Sega Road Konjeng Hazari Leikai P.O. & P.S. Imphal, District Imphal West, Manipur |
| Editor's Name | - | Hemantakumar Ningomba |
| Nationality | - | Indian |
| Address | - | Khongman Okram Chuthek, P.O. Singjamei, P.S. Irilbung, Imphal East, Manipur |
| Name and Addresses of individuals who own the newspaper and partners or shareholders holding more than one percent of the total capital. | - | Individual |

I, Soubam Niladhaja Singh, hereby declare that the particulars given above are true to the best of my knowledge and belief.

Imphal,
Date 28/02/2016

(SOUBAM NILADHAJA SINGH)
Publisher
HUEIYEN LANPAO

# ত্রিপুরাদা লেফট ফ্রন্টনা মায় পাক্লে



অগরটালা, ফেব্রুৱারী ২৮ ঃ

ত্রিপুরাদা পাঙথোকখিবা ভিলেজ কম্মিটিগী মীখলদা কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া-মার্ক্সিষ্টনা লুচিংবা লেফট ফ্রন্টনা চাউনা মায় পাকখ্রে।

ত্রিপুরা ট্রাইবেল এরিয়াজ ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল (টি টি এ এ দি সি) গী মনুং চনবা ভিলেজ কম্মিটি ৫৮৭কী মনুংদা লেফট ফ্রন্টনা ৫২০ দা মায় পাক্লে হায়রি।

ভিলেজ কম্মিটি ৫২০দা লেফট পার্টিশিংনা মেজোরিটি ফংখিবগা লোয়ননা ইন্দিজিনস পিপল'স ফ্রন্ট ওফ ত্রিপুরা (আই পি এফ টি) না ভিলেজ কম্মিটি ২৫ দা মায় পাকখি।

ইন্দিজিনস নেসনেলিষ্ট পার্টি ওফ ত্রিপুরানা ভিলেজ কম্মিটি ২০দা মায় পাকখিবগা লোয়ননা কোংগ্রেসনা ৯, ভারতিয়া জনতা পার্টিনা ৪ অমসুং ত্রিপুরা পিপল'স পার্টিনা ভিলেজ কম্মিটি ২ দা মায় পাক্লে হায়রি। লেমহৌরিবা ভিলেজ কম্মিটি ৭ কী মতাংদদি তম্বা ঙমদ্রি।

হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২৪ দা টি টি এ এ দি সিগী মখাদা লৈবা ভিলেজ কম্মিটি ৫৮৭ শেম্নবগীদমক মীখল পাঙথোকখি অমসুং থাংজ নুমিৎতা ভোট মশীং থীবা হৌখি। ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিসননা মীখলগী অরোয়বা ফল ঙসি লাউথোরকখিবনি।

ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিসনগী সেক্রেটরি টমল মজুমদারনা পাউমীশিংদা হায়খি মদুদি, ভিলেজ কম্মিটি ৫৮৭ লৈবগী মনুংদা ৫২৮ দা মীখল পাঙথোকখি। গভর্ণমেন্ট পায়রিবা লেফট ফ্রন্টনা ভিলেজ কম্মিটি ৫৯ দা লম্বা য়াওদনা মায় পাকখিবা মরম্না লৈহৌরিবা ভিলেজ কম্মিটি ৫২৮গী মীখল পাঙথোকখিবনি।

মজুমদারনা হায়খি, সি পি আই এমনা অপূনবা সীট ৩,৭৯৮, সি পি আইনা সীট ১৮, রেভলুসনরি সোসলিষ্ট পার্টিনা সীট ১৩ অমসুং ফোরৱার্দ ব্লোক্না সীট ৯ ফংখি।

ট্রাইবেলশিংগী পার্টি ওইরিবা আই পি এফ টি, আই এন পি টি অমসুং টি পি পিনা মথংশিংনা সীট ৩৪০, ১৯৯ অমসুং ১২ ফংখি হায়রি। অতোপ্পা ট্রাইবেলগী পার্টি অমা ওইরিবা ত্রিপুরা ষ্টেট পার্টিনা সীট ২২ ফংখিবা তারবসু ভিলেজ কম্মিটি অমত্তদা মেজোরিটি ওইবা ঙমখিদ্রে।

ষ্টেট অসিদা মরু ওইবা ওপোজিসন পার্টি ওইরিবা কোংগ্রেসনা অপূনবা সীট ৯১ ফংখিবদা বি জে পিনা সীট ৭৫ ফংখি।

কুমজা ২০১১ দা পাঙথোকখিবা মমাঙগী মীখলদা ওপোজিসন পার্টিশিংনা ভিলেজ কম্মিটি ৫২ দা মেজোরিটি ফংবা ঙমখিবনি। হন্দক্কী মীখল অসিদদি ওপোজিসননা ভিলেজ কম্মিটি ৬৭ তা মেজোরিটি ওইবা ঙম্লে।

# থানেদা মীওই অমনা মশামক্কী ইমুংগী মীওই ১৪ হাৎলম্লগা মথন্তা শিজখ্রে

থানে, ফেব্রুৱারী ২৮ ঃ

মহারাষ্ট্রগী থানেদা মশাগী চহী ৩২ শুরবা মীওই অমনা মশামক্কী ইমুংগী মীওই ১৪ হাৎলম্লবা মতুংদা মশা মথন্তা থৌরী য়ান্দুনা শিজখ্রে।

পুলিসকী রিপোর্টনা হায়খি মদুদি, থানেগী কাসারভদাবলি এরিয়াদা হসনেন অনৱার ৱারেকর কৌবা মীওই অমনা অঙাং ৭ য়াওনা মীওই ১৪ হাৎলম্লবা মতুংদা মশা মথন্তা থৌরী য়ান্দুনা শিজখিবনি। ইমুংগী মীওই ১৪ মক চানবা চীঞ্জাক্তা দ্রগ হাপ্তুনা পীজরবা মতুংদা অচৌবা থাঙ অমনা মখৌরি লেন্থৎতুনা হাৎখিবনি হায়রি।

করি মরমগী মীওইশিং অদু হাৎখিবনো হায়বা হৌজিকমক্কী ওইনা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। অদুমওইনমক অহানবা ফংবা রিপোর্টকী মতুংইন্নদি লন-থুম য়েন্নবগী মতাংদা ইমুং-মনুংগী ওইবা য়েৎনবা ৱাফম অমা লাকপদগী মীওইশিং অদু হাৎখিবা ওইরমগনি হায়রি।

লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুদি, অনৱার ৱারেকর (মপা, চহী ৬৫), অসগারি (মমা, চহী ৫৬), জবিন (লোয়নবী, চহী ২৮), মুবাটসিরা (৬), উমিরা (থা ৩), সবিনা সৌকট খান (৩৫), মারিয়া ইরফান ফাক্কি (২৮), বাটুল (৩০), অনাস সৌকট খান (১২), সাদিয়া সৌকট খান (১৬), অর্সিয়া য়ুসুফ ভর্মাল (থা ৫), অলিহসন সৌকট খান (৫), উমর, ইর্গান ফাক্কি (৭) অমসুং য়ুসুফ ইর্ফান খাননি।

সাবিয়া য়ুসুফ ভর্মাল (২২) কৌবী মচন্নুপী অমদি ফীভম থীনা শোক্লবসু শিহৌদবদগী হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি।

থানেগী জোইন্ট কম্মিস্নার ওফ পুলিস অশুটোশ দম্বরেনা হায়খি, ইমুংগী মীওইশিংনা তুম্লিঙৈদা হসনেন অনৱার ৱারেকরনা থোঙ অমদি থোঙনাউ পুম্নমক লোনশিল্লগা মখৌরীদা থাঙনা লেন্থৎতুনা হাৎখিবনি। তুংদা মহাক মশামক মথন্তা থৌরী য়ান্দুনা শিজখি।

সবিয়ানা খোঞ্জেল হৌনা লাউরকপদগী মনাক নকপদা লৈরম্বা মীওই খরা চেনশিন্দুনা য়েংলুবদা থৌদোক অসি খঙলকখিবনি। ফোরেন্সিক টিম অমা থৌদোক থোকফমদা থুংলখিবগা লোয়ননা থৱায় য়াওদ্রবা হকচাংশিং অদু ওটোপ্সি তৌনবগীদমক পুখ্রে হায়না পুলিসকী জোইন্ট কম্মিস্নার অশুটোশ দম্বরেনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

EMPLOYMENT NEWS

(Regd. No. SMLM/179/COM. Estd. of 2013 Govt. of Manipur)

| | | |
|---|---|---|
| **1. Army, CRPF, Assam Riffle, & Others Recruitments** :- Providing Special Guidelines for Selection in Manipur & N/E for any upcoming Recruitments in March, April, May -2016. All Trades :- G.D, Tradesmen, Clerk, Technical, SKT, IM, NA, Costable-(Trades & Tech.), Driver etc. | | |
| **2. Army TA Recruitment** :- Providing guideline for upcoming TA Recruitment in Manipur. | | |
| **3. Army** :- Providing special guideline for NCC-Certificate-'B/C' holders at Army recruitments | | |
| **4. Army Boys ( Football & Boxing )** Selection in Shillong on May 2016. Class- V-X Trial Selection on 13.03.2016 | | |
| **5. Airport:-Domestic & International.** i) Cargo Driver -15 | VIII-Above | 18000 |
| ii ) Ground Staff , Ticketing , Ground CSA ,Cabin Crew -30 | XII -Grade | 16000- 45000 |
| iii ) Fight Cleaner, Loader etc - 25 | VIII- Above | 8000- 25000 |
| **6. Banks (Manipur). i)** Security & Gunmen (Atm & Bank) - 21 | VIII- Above | 8000- 20000 |
| ii) (Staff, Loan Officer, R.O, A/C Open & ATM Supervisor) - 37 | XII- Grade. | 10000-30000 |
| **7. Multiple Vacancy in Imphal & Manipur(District Wise) - 56** Reception, Sales executive (M/F),Helper, Driver, Accountant (Tally), LDC, Sales Staff M/F- (4 Wheeler Showroom & Mall), | VIII- Grade. | 4500-25000 |
| **8. Security Guards (M/F) Supervisor (Ex-Servicemen) -35** Office, Shopping Mall, Market, School, Hospital, Pvt.Banks etc. | VIII- Above | 5000-20000 |

**Pls Visit :- " MNG JOB CONSULTANT" Sagolband Moirang Leirak Machin, Imphal West-1 , Near Ranjana Embroidery & Yumbee Group. Interview on .16.03.2016. Last date of form submission . 15.03.2016. Contact no :- 9615165558 / 8414984659**

HL-B/2919/28,29 Feb. to 1,2,3,5,7,9,11,13,14 Mar.

/JOB NEWS

Regd. No. 2808 of 2013 (Govt. of Manipur)

1. **REQUIRED DIFFERENT AIRLINE STAFF FOR NEW DOMESTIC AIRLINES**
Air Ticketing, Ground Staff, Air Hostess, Flight Steward, Cargo Driver, Loader
Qualification : VIII, X, XII, Graduate Salary : 10,000/- - 40,000/-

2. **REQUIRED PRIVATE OFFICE**
Reception, Accountant, Collector, R.O., ANM, GNM, B.Sc. Nursing, Security, Ex-Serviceman Security, Driver
Qualification : VIII, X, XII, Graduate Salary : 5,000/- - 15,000/-

3. **REQUIRED TECHNICAL DEPARTMENT AND TELE CALLER**
Qualification : VIII to Graduate Salary : 5,000/- - 10,000/- + Incentive

4. **REQUIRED FOR BANKING**
Data Entry, Account Opening, Sales Manager
Qualification : XII to Graduate Salary : 10,000/- - 15,000/-

5. **REQUIRED FOR MERCHANT NAVY**
Qualification : X to XII Salary :50,000/- - 80,000/-

Date of form submission: 29/02/2016
Date of Intrview: 01/03/2016

**Contact No.:**
**1. 8258993369**
**2. 9089814751**

**JOB HELPLINE AND COUNSELLING**
WAHENGBAM LEIKAI
NEAR IMPHAL LP GAS LEIRAK MACHIN

HL-B/2892/15,17,19,21,23,24,25,26,27,29 Feb.

**PRE-PRIMARY TEACHERS' TRAINING CENTRE (PPTTC)**

Six Months Certificate in Pre-Primary Teaching Course with job facilities to work as Human Engineers, Professionals and Entrepreneurs at different schools and allied sectors.

**Eligibility : XII Passed and above.**

**Sd/- Principal, PPTTC**
Kalyan Bhavan, Near Police Out Post, Kwakeithel.

HL-P/7656/25,27,29 Feb.

/লায়েংজরি **UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)**

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

(অঙৌবা পকপা)
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্ন ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্না লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থর্ককনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং ভসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)
শম কেন্নবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

**HOW TO GIVE UP WINE**
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.

**HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL**
If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

**DR.(VAID) R N GUPTA (396),**
**Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,**

HL-B/2927/29/01-28/02